# মার্চ ৩১গী মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টনা ফাইনান্স বিল পাস তৌরগনি : ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

এপ্রিল ১ দগী হৌনা মিনিষ্ট্রিশিংনা ফন্দ শীজিন্নবা য়ানবগীদমক মার্চ ৩১ মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টনা ফাইনান্স বিল পাস তৌরগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা মার্চ ৩১ দা বিল পাস তৌবা তারবদি এপ্রিল ১ দগী মিনিষ্ট্রিশিংদা ফন্দ য়ৌহনবা ঙম্লগনি। চহীগী বজেট পুথোক্লবা মতুংদা লোক সভাদা ফাইনান্স বিল পুথোক্তুনা লাক্কদৌরিবা শেনবা চহীগী ফাইনান্সিএল প্রপোজেলশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

অরুন জেটলিনা রিভাইস তৌরবা জেনরেল ফাইনান্স রুলস (জি এফ আর) ২০১৭ সু রিলিজ তৌখি।

পনবা য়াবদি, লাক্লিবা জুলাই ১দগী গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) চৎনহনবা হৌরগনি হায়না ইকনমিক এফেয়র্স সেক্রেটরি শক্তিকান্ত দাসনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনসু জি এস টি রেজিম চৎনরবা মতুংদা মওং-মরিল চুম্না টেক্স খোমগৎপগী থৌরাং লৌখৎপা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পাউ মীশিংগা উনখিবা অমদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, জি এস টি চৎনহন্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী অহানবা মথৌ তাবা থৌরাংদি কন্সটিট্যুসনেল এমেন্দমেন্টনি। মোত অমত্তা ওইনা লো অসি পাস তৌবা লৈখ্রবনিনা সেপ্টেম্বর ১৫ মমাঙদা মথৌ তাবা থৌরাং পুম্নমক লৌখৎপা লোইরগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মরুওইবা ৱাফম কয়াসু য়ানবা পুরক্লে। হীরম খরদা য়ানবা ঙমদবদগী মতম খরা য়েৎনদুনা লৈরুরবসু জুলাই ১ দগী জি এস টি মপুং ফানা চৎনহনবা ঙম্লগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈরে।

জি এস টি কাউন্সিলনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা অপীকপা হোটেল অমদি রেষ্টোরেন্টশিংগী টেক্স রেট চাদা ৫ দা লেপখিবগা লোয়ননা মরুওইবা ৱাফম কয়া অয়াবা পীখিবা মরম্না জুলাই ১দগী অনৌবা ইন্দাইরেক্ট টেক্স রেজিম চৎনহনবদা খুদোংচাদবা অমত্তা মায়োক্নররোই হায়না থাজনরি।

জি এস টি কাউন্সিলনা সেন্ট্রেল জি এস টি (সী জি এস টি) অমদি ইন্টিগ্রেটেদ জি এস টি (আই জি এস টি) গী ফাইনেল ড্রাফট এপ্রুভ তৌরবা মতুংদা মার্চ ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মথংগী মীফমদা ষ্টেট জি এস টি অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি জি এস টি এপ্রুভ তৌনবা হোৎনগদৌরি।

সী জি এস টিগী মখাদা সেন্টরনা গুদস অমদি সার্ভিসেসতা লৌগদবা টেক্সকী চাং লেপথোক্লগনি। অমরোমদা, ষ্টেট অমদগী অতোপ্পা ষ্টেট অমদা পোৎ-চৈ পুথোক-পুশিন তৌবগী মতাংদা শেমগদৌরিবা ইন্টর ষ্টেট সপ্লাইগা মরী লৈননা শেমখিবা আই জি এস টিগী মতাংদদি মার্চ ৯ দগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফমদা পুখৎতুনা হাউসকী অয়াবা লৌরগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ফোঙদোকখি।

এস জি এস টিগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা লেজিসলেসন অমা পাস তৌবা মথৌ তারি। য়ুনিয়ন টেরিটরিগী ওইবা জি এস টিগী মতাংদসু পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীগদবা ৱাৎলি।

জেটলিনা হায়খি, মোদেল জি এস টি লোদা ক্লোজ অমা য়াওহনবগা লোয়ননা চাদা ৪০গী চাংদা টেক্স লৌবগী ৱাফম হাপচিনগনি। মদুগী মনুংদা সেন্টরনা চাদা ২০ অমসুং অতোপ্পা চাদা ২০ অমনা ষ্টেটশিংনা লৌগনি। জি এস টি কাউন্সিলনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা লৈখ্রবনি।

য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা লুচিংবা অমসুং ষ্টেট খুদিংমক্কী মীহুৎশিং য়াওবা জি এস টি কাউন্সিলনা অপীকপা হোটেল, রেষ্টোরেন্ট অমদি ধাবাশিংদগী জি এস টি ওইনা চাদা ৫গী টেক্স লৌবগী ৱাফম য়ানখি। চাদা ৫গী শেনফম অসিগী মনুংদা সেন্টরনা চাদা ২.৫ অমসুং ষ্টেটনা চাদা ২.৫ লৌগদবনি। হায়রিবা টেক্স অসি চহীদা লুপা লাখ ৫০ ফাওবগী লল্লোন-ইতিক তৌবা হোটেল, রেষ্টোরেন্ট অমদি ধাবাশিংদগী লৌগদবনি হায়রি।

রেভিন্যু সেক্রেটরি হসমুখ অধিয়ানা হায়খি মদুদি, কম্পোজিসন স্কিমদা রেষ্টোরেন্টশিং য়াওহনবগী ৱাফম পুখৎলকখিবগা লোয়ননা চহীদা লুপা লাখ ৫০ ফাওবগী টর্ন ওভর লৈবা হোটেল অমদি রেষ্টোরেন্টশিংদগী চাদা ৫গী চাংদা জি এস টি লৌনবা ৱাফম য়ানখিবনি। অতৈ অতোপ্পা রেষ্টোরেন্ট-শিংদি রেগ্যুলর সার্ভিস টেক্স রেটকী মখাদা কোনশিনগনি হায়না অধিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অরুন জেটলিনা হায়খি, মার্চ ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা জি এস টি কাউন্সিলগী ১২ শুবা মীফমদা ষ্টেট জি এস টি অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি জি এস টি বিলশিংগী মতাংদা শোয়দনা য়ানবা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

# উত্তর প্রদেশতা অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোম্বগী থবক লোইশিনখ্রে

লক্ষ্ণৌ, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্লিবা উত্তর প্রদেশতা ঙসি অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোম্বগী থবক থৌরমশিং লোইশিনখ্রে।



অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪০৩ লৈবা ষ্টেট অসিদা হয়েং পুর্বঞ্চল নৎত্রগা ইষ্টর্ন উত্তর প্রদেশকী ঘাজিপুর, ভারানাসি, চান্দোলি, মির্জাপুর, ভাদোহি, সোনভাদ্র অমসুং জোনপুর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪০ দা মীখল পাঙথোক্লগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মশাগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ওইরিবা ভারানাসিদা ঙসি মীখলগা মরী লৈনবা মীফম কয়াদা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা গটৱাঘাট আশ্রমদা চৎখি অমসুং লৈখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর লাল বহাদুর শাস্ত্রিগী রামনগরদা লৈবা ময়ুমদা চৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

রোহনিয়া এরিয়াগী খুশিপুরদা পাঙথোকখিবা মীখলগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মীয়াম্না সমাজৱাদি পার্টি (এস পি), বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) অমসুং কোংগ্রেসপু মায়থীবা পীনবগীদমক বি জে পিদা ভোট পীবা মতম ওইরে।

অমরোমদা, এস পি অমসুং কোংগ্রেস এল্লাইন্সকী ওইনা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ যাদবনা পুর্বঞ্চলদা পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা মীফম তরেৎতা ৱা ঙাঙখি। কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীসু জোনপুরদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরগী মথক্তা মীয়াম্সু লান্না লমজিংবগী মতাংদা মরাল শীখি।

অখিলেশ যাদবকী লোয়নবী অমসুং কনোজগী এম পি দিম্পল যাদবনা ভাদোহি অমদি চান্দোলিদা পাঙথোকপা মীফম অহুমদা ৱা ঙাঙখি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলদা নুপী লাখ ৬৪.৭৬ য়াওনা অপূনবা ভোটর ক্রোর ১.৪১ না মীহুৎ ৪০ খনগদৌরি।

চান্দোলি, মির্জাপুর অমদি সোনভাদ্রাদা মাওইষ্ট লালহৌবগী ঈহৌ লৈবা মরম্না সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোকহন্দনবা হোৎনরি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪৯দা পাঙথোকখিবা তরুকশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোট থাধবগী চাং ৬০ য়ৌখিবনি।

য়ু পিগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়খি মদুদি, মফম খরদা য়েংথীনবা পার্টি ৱার্কর মশেলগী মরক্তা মুক্নবগী থৌদোক মচা-মচা থোকখিবা নৎতনা থোইদোকপা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদে।

কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪৯ অসিগী মীখলদা ভোট থাধবগী চাং চাদা ৫৫.০৪ ওইখিবনি। হন্দক্কী ওইনা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোট থাধবগী চাং চাদা ৬৪.২২ ওইখি। অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা তাঙ্কক্তনা মথংশিংনা চাদা ৬৫.১৬, চাদা ৬১.১৬, চাদা ৬০.৩৭ অমসুং চাদা ৫৩.৩৭ ওইখি।

তরুকশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা নুপী লাখ ৭৭.৮৪ অমদি নুপা লাখ ৯৪.৬০ য়াওনা ভোট থাধবগী চহী মতাং য়ৌরবা মীওই ক্রোর ১.৭২ না মীরেপ ৬৩৫গী মরাইবক লেপ্নবগীদমক ভোট থাধনখি।

তরুকশুবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি- মাও, গোরখপুর, মহারাজগঞ্জ, কুশিনগর, দিওরিয়া, অজমগর অমদি বালিয়ানি। অজমগর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লৈরিবা এসেমব্লি সীট ১০গী মনুংদা সমাজৱাদি পার্টিনা মমাঙগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা সীট ৯ ফংবা ঙমখি। অদুবু হন্দক্তি পার্টিগী লুচিংবা মুলায়ম সিংহ যাদবনা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমত্তদা ৱা ঙাঙখিদবা মরম্না মায় পাকপগী চাং হন্থরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

মীখল অসিদা বি জে পিনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪৫ দা মীরেপ থাদোক্লি। পার্টি অসিগা চৎমিন্নরিবা অপনা দলনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ১ দা মীরেপ থাগৎলি। বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা অতোপ্পা পার্টি -ভারতিয়া সমাজ পার্টিনা সীট ৩ দা মীরেপ থাগৎলি। অমরোমদা, বহুজন সমাজ পার্টিনা সীট ৪৯ মক্তা মীরেপ থাগৎলি। সমাজৱাদি পার্টিনা সীট ৪০ দা অদুগা কোংগ্রেসনা সীট ৯ দা মীরেপ থাগৎতুনা অকনবা লম্বা পানরি।

ফেব্রুৱারী ২৭ তা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা তাঙ্কক্কী এসেমব্লি ইলেক্সনদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫৭.৩৬ ওইখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট ১১গী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫২ দা মীখল পাঙথোক্কদবদা ইলেক্সন কম্মিসননা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমগী মীখল য়েথোকখিবা মরম্না কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫১ দা মীখল পাঙথোকখি।

# ঙামী হাৎখিবগী মতাংদা থিগৎলগনি হায়না শ্রীলঙ্কানা থাজবা পীরকখ্রে; টামিল নাদুনা কম্পেন্সেসন পীরগনি



রামেশ্বারম, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

শ্রীলঙ্কন নেভিনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী ঙামী অমা শিখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবা শ্রীলঙ্কন ওঠোরিটিদা হৌনবী মতুংইন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱারোল থাখ্রে।

ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ইন্দিয়াগী ঙামী অমা লৈখিদবগী মতাংদা ন্যু দিল্লিনা শ্রীলঙ্কাগী মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা ৱাকৎতুনা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবগী ৱাফম তকশিনখি। শ্রীলঙ্কাদা লৈরিবা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নারনা হীরম অসিগা মরী লৈননা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টরদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱারোল পীশিনখি হায়না ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

ছোর্স অদুনা হায়খি, থৌদোক অদুগী মতাংদা শ্রীলঙ্কন নেভিনা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চথরগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

চৈরকসিদা, টামিল নাদুগী রামেশ্বারমদা মশাগী চহী ২২ শুবদা ঙাইরিবা ব্রিটসো কৌবা ঙামী অমা শ্রীলঙ্কন নেভিনা হাৎখিবগী মায়োক্তা মীয়াম্না অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে।

ব্রিটসো অমদি অতোপ্পা ঙামী অনীনা কটচাটিবু আইলেন্দ মনাক্তা ঙা ফারিঙৈদা শ্রীলঙ্কন নেভিনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা ব্রিটসো লৈখিদবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অনী অশোক-অপন নংখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ঙমখৈ লানশিন্দুনা ঙা ফাবগী থৌওং চথরকই হায়বগীদমক শ্রীলঙ্কন নেভিনা টামিল নাদুগী ঙামী ৮ ফাজিনবা লৈখ্রবনি।

ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না শ্রীলঙ্কন নেভিগী মখুৎ চনখ্রবা ঙামী অমা মশা মথন্তা শিজনবা থৌরাং তৌখি হায়রি। নাগাপটিনম দিষ্ট্রিক্টতগী ঙামী ৮ ফাখিবগা লোয়ননা চয়োল অসিগী মনুংদা শ্রীলঙ্কন নেভিনা ইন্দিয়াগী ঙামী ফাবগী থৌদোক অহুম্লক থোকখ্রে। হৌজিক-হৌজিক টামিল নাদুগী ঙামী ৬১ শ্রীলঙ্কাগী কষ্টদিদা লৈরি।

নাগাপটিনমগী জোইন্ট দিরেক্টর ওফ ফিশরিজ অমলা জেবিয়রনা হায়খি, অকারাইপেটাইগী ঙামী ৮ হি অমা তোংদুনা ঙা ফাবা চৎখিবদা ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিল্লকই হায়না মরাল শীরদুনা শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাজিনখিবনি।

য়ুমলোন্নবা লৈবাক্তা অফবা মরী পুরক্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ানা ফাজিন্দুনা থম্লম্বা শ্রীলঙ্কা অমদি পাকিষ্টানগী ঙামী কয়া থাদোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। পাকিষ্টান অমদি শ্রীলঙ্কানসু ইন্দিয়াগী ঙামী কয়া থাদোরকপা লৈখ্রে।

হৌখিবা জান্যুৱারী ৬ তা পাকিষ্টাননা ফাজিন্দুনা থম্লম্বা ইন্দিয়াগী ঙামী ২১৮ থাদোরকখি। লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পাকিষ্টাননা চয়োল অনীগী মনুংদা মতৌ অসুম্না ইন্দিয়াগী ঙামী থাদোরকপা হন্দক্লা অনীরক শুরে।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৫ দসু পাকিষ্টানি ওফিসলশিংনা ইন্দিয়াগী ঙামী ২২০ কারাচিদগী লাহোর ফাওবা ট্রেন তোংদুনা থারকখিবগা লোয়ননা মফমদুদগী ৱাগাহ বোর্দরদা পুরক্তুনা ইন্দিয়ন ওঠোরিটিশিংদা খুৎশিন্নরকখি।

# মধ্য প্রদেশতা ট্রেন অমদা বোম পোকখায়বদা ৮ শোক্লে



ভোপাল, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

মধ্য প্রদেশকী সজাপুর দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি পেসেঞ্জর ট্রেন অমদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মীওই ৮ অশোক-অপন নংলে হায়না ওঠোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায়খি, জাব্রি রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা বোম পোকখায়খ্রবা মতুংদা ট্রেনগী কোচ অমা মৈ চাকখৎলকখি। থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংলবা মীওই পুম্নমক কালাপিপাল হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

মতৌ করম্না পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনদি ট্রেনদা কনাগুম্বনা পুরকপা বোম অমা শোয়বদগী পোকখায়রকপা ওইরমগনি হায়না থাজরি।

ট্রেন অদু ভোপালদগী উজেন তম্না চৎখিবনি হায়না এ কে সিদ্দিকী কৌবা রেলৱে ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক থোকফমদা মেদিকেল ভেন অমা থুংখিবগা লোয়ননা অশোক-অপন নংলবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎখি।

সুজালপুরগী সব-দিভিজনেল ওফিসর অমিট মিশ্রানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা ট্রেনগী কোচ অমা ফীভম থীনা অমাঙ-অতা থোক্লে হায়রি। কোচ অদু ট্রেনদগী নান্থোক্লগা তোখায়না থাখি।

অমরোমদা, লক্ষ্ণৌগী থাকুরগঞ্জ এরিয়াদা ঙসি উত্তর প্রদেশ পুলিসকী এন্টি টেরর স্কৱাদ (এ টি এস)কা টেররিষ্টনি হায়না চিংনবা খুৎলায় পায়বা মীওই খরগা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্লখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবদা, এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল (লো এন্দ ওর্দর) দলজিৎ সিংহ চৌধরিনা হায়খি মদুদি, কানপুর অমসুং লক্ষ্ণৌদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা টেররিষ্ট খরা লৈরে হায়বগী থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংখি। অহানবদা এ টি এসনা কানপুরদগী চিংনবা মীওই অমা ফাখি। মীওই অদুনা ফোঙদোরকপা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা লক্ষ্ণৌদা লৈবা বিল্ডিং অমদা থিবা-হুম্বগী থবক চথনবা হোৎনরিঙৈদা বিল্ডিং মনুংদগী খুৎলায় পায়বা মীওই অমনা নোংমৈ কাপথোরকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা পুং অমা মখায়রোম খুৎ থোক্লখি।

বিল্ডিং মনুংদা লোৎতুনা লৈরম্বা মীওই অদু ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)কা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, এ টি এসকী সিনিয়র ওফিসর অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না লক্ষ্ণৌগী বিল্ডিং অমদা লোৎতুনা লৈরম্বা টেররিষ্ট অদু মধ্য প্রদেশকী পেসেঞ্জর ট্রেন অমদা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়রি।

তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সনগী অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা বোম পোকখায়বা অমদি নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অসি থোকখিবনি।

# মেঘলায়া পুলিসনা কাপ্পদা ৩ শোক্লে

শিল্লোং, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

মেঘলায়া পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই অহুম অশোক-অপন নংখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী ঈহৌ লাকপদগী নোর্থ গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টতা পুলিস ষ্টেসন অমা অমসুং গাড়ী ৫ মৈ থাদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে।

অমরোমদা, মেঘলায়াগী চীফ মিনিষ্টর মুকুল সংমানা থৌদোক অদুগী মতাংদা জুদিসল ইনক্বারি চথনবা খঙহনখ্রে। নোর্থ গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার এস সী সাধুনা পাউমীশিংদা হায়খি, মীওই অহুম তোংদুনা লাকপা গাড়ী অমা পুলিসনা খাল্লুবদা খাল্লমদনা থৌখিবদগী পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মখোয় অহুম অশোক-অপন নংখিবনি। ফীভম থীনা শোক্লবা মীওই অহুম্মক গুৱাহাটিদা পুদুনা লায়কন্নরি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক তাবগা খোইশাউনরবা মীওই কয়া থোরক্তুনা লোকেল পুলিস ষ্টেসন অমা অমসুং পুলিসকী গাড়ী মঙা মৈ থাখি।

দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস দাল্টন মারকনা হায়খি, পুলিসতগী নান্থোক্তুনা চেনখিবা ৱিলিয়ম সংমা কৌবা মীওই অমা লাক্কদৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী পুলিসনা মফম খরদা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। মতাং অদুদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই তোংবা গাড়ী অদু থৌরকখিবনি হায়রি।

# দি য়ুগী প্রোফেসর জি এন সাইবাবা লালহৌবগা মরী লৈনরম্লে

মুম্বাই, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর জি এন সাইবাবাবু মাওইষ্ট লালহৌবগা মরী লৈনৈ হায়বগীদমক গাটচিরোলিগী কোর্ট অমনা পুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে।

সাইবাবা য়াওনা মীওই তরুক অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ১৩, ১৮, ২০, ৩৮, ৩৯ অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদ আই পি সীগী সেক্সন ১২০ বিগী মখাদা মরাল লৈরম্বা থেংনখি। মরাল লৈরে হায়রিবা মীওইশিং অদুদি সাইবাবা, জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় হেম মিশ্রা, হান্নগী জর্নেলিষ্ট প্রসান্ত রাহি, বিজয় টির্কি, মহেশ টির্কি অমসুং পান্দু নারোটেনি। চাদা ৯০গী চাংদা হকচাংগী ফীভম লেং-ওৎপা ঙমদবদগী হুইল চেয়রদা ফমদুনা লৈরিবা সাইবাবাবু মাওইষ্ট লালহৌবশিংগা মরী লৈনৈ হায়বগীদমক মহারাষ্ট্র পুলিসনা কুমজা ২০১৪গী মে থাদা অহানবা ওইনা ফাবা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১৬কী এপ্রিলদা সুপ্রিম কোর্টনা মেদিকেল গ্রাউন্দদা বেল পীখিবগা লোয়ননা সাইবাবা থাদোকখি।



পনবা য়াবদি, মমাঙ থাদা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী নোর্থ কেম্পসতা এন্টি নেসনল স্লোগান লাউখি হায়বা ৱাফম অমগী মতাংদা এক্সন টেকন রিপোর্ট পীরক্নবা কোর্টনা দিল্লি পুলিসতা খঙহনবা লৈখ্রবনি। মার্চ ৩০ ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা রিপোর্ট অদু পীরক্কদবনি হায়না দিল্লি পুলিসতা কোর্টনা খঙহনখি।

ফেব্রুৱারী ২৩ দা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী রামজাস কোলেজদা মহৈরোয় অমসুং জর্নেলিষ্ট খরা ফূখিবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীনবা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী লো দিপার্ট-মেন্টনা দিল্লি হায় কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবনি। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা লো তম্লিবা মহৈরোয় অনী তরুন নারং অমসুং দিপক যোসিনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমা ফাইল তৌখি।

মমাঙ চয়োলদা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা পাক শন্না খোঙজং চঙশিল্লকখিবগী মরম খঙদোক্নবা সিনিয়র পুলিস ওফিসলশিংগী ওইবা ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিটি অমদা থিগৎহনগদবনি হায়না পি আই এল অদুনা ফোঙদোকখি। দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা নোর্থ কেম্পসকী এস জি টি বি খলসা কোলেজদা এ বি ভি পিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোঙজং অমা চঙশিনখি।

দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী রামজাস কোলেজদা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি (জে এন য়ু)গী মহৈরোয় উমর খলিদপু ৱা ঙাঙহনবগী মতাংদা য়েৎনরকপদগী মমাঙ চয়োলদা ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্ট'স এসোসিএসন (এ আই এস এ) অমসুং এ বি ভি পিগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকখিবনি। নুমিৎ অদুদা মহৈরোয় খরনা লৈবাক্কী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখি হায়রি। ৱাফম অসিগী মতাংদা মীওই মঙানা শাবা এ বি ভি পিগী টিম অমনা দিল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্ণর উন্নদুনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীনবা তকশিনখি।

ফেব্রুৱারী ২২ দা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী রামজাস কোলেজ মপান্দা পুলিসনা কা হেনবা থৌওং চথখি হায়বা ৱাফম অমগী মতাংদা নেসনল হ্যুমেন রাইট্স কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)না দিল্লি পুলিসকী কম্মিস্নারদা নোটিশ থাবা লৈখ্রবনি।

এন ঐচ আর সীনা হায়খি, পুলিস পার্সনেলশিংনা নুপী মহৈরোয় অমা ফূখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুবু রেকোর্দ তৌহৌবা মিদিয়া পার্সনশিংদগী কেমেরা মুনখি হায়বা ৱাকৎ অমা লাকপদগী পুলিসকী মথক্তা নোটিশ থোকখিবনি।

খৎন-চৈনবগী থৌদোক অদুগী পাউ লৌনবা হোৎনখিবা পাউমী ১০ পুলিসনা খুপাক্লা থাবগা লোয়ননা তমথীবা মওংদা ফূখি হায়বা ৱাকৎ অমা লাকখি। কম্মিসননা হীরম অসিগী মতাংদা নোটিশ অমা থোকখিবগা লোয়ননা চয়োল মরিগী মনুংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কদবনি হায়না পুলিসতা খঙহনখি।

অমরোমদা, বি জে পিগী ষ্টুদেন্ট'স ৱিং ওইরিবা এ বি ভি পিবু মরাল শীরদুনা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না হায়খ্রে মদুদি, রামজাস কোলেজদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকহনখিবা এ বি ভি পিগী মেম্বরশিংগী মথক্তা দিল্লি পুলিসনা করি করম্বা থবক লৌখৎলবগে হায়বদু মীয়াম্না খঙবা পাম্মী।

এ এ পিগী সিনিয়র মেম্বর অটিশি মারলেনানা হায়খি মদুদি, গুজরাট ফাওবা চৎতুনা এ এ পিগী এম এল এ অমা ফাখিবা দিল্লি পুলিসনা এ বি ভি পিগী মথক্তা মখল অমত্তগী থবক লৌখৎপা ঙমদ্রে। এ বি ভি পিগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবী দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় গুরমেহার কোরবু নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনগনি হায়না কিহল্লকখি। অদুবু দিল্লি পুলিসনা হীরম অসিগী মতাংদা থবক অমত্তা পায়খৎপা ঙমদ্রে।

রোহটাস নগরদগী মায় পাক্লত্তুনা এ এ পিগী এম এল এ ওইরিবা সরিতা সিংহনা হায়খি, বি জে পিনা এ বি ভি পিগী কা হেনবা থৌওং শীজিন্নরগা ইন্দিয়াগী য়ুনিভর্সিটি পুম্নমক খুদুম চন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লে।

পনবা য়াবদি, রামজাস কোলেজগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনবদা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকখিদে হায়বগীদমক দিল্লি পুলিসকী পার্সনেল অহুম থবক্তগী লৌথোকপা লৈখ্রবনি।

এ বি ভি পি অমসুং এ আই এস এগী মেম্বরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবগী মতাংদা থিগৎতুনা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্নবা দিল্লিগী পুলিস কম্মিস্নার অমুলিয়া পাটনাইকনা ক্রাইম ব্রাঞ্চতা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

টৈংথাঙ্বো/ লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থর্ক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্থা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্থা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3729/03/03-05/04